## আপসুনা পাসিঘাটতা নুমিৎ ১২গী লোকদাউন কৌখ্রে

ইটানগর, জুন ১৮ (এজেন্সি): ওল অরুনাচল প্রদেশ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আপসু)না ইষ্ট সিয়াং দিষ্ট্রিক্টকী হেদ ক্বার্টরস ওইরবা পাসিঘাটতা জুন ১৯ দগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ ১২ নি লোকদাউন কৌখ্রে। মমাং চয়োলদা হেল্থ ৱর্কর অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবা মতুংদা আপসুনা ইষ্ট সিয়াং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মহৈরোয়শিংগী লূপ অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা তান্নরবা মতুংদা লোকদাউন তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অপাসুগী প্রসিদেন্ট হৱা বগাংনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক্তা শনে দারক্তনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। ফ্রন্ট লাইন ৱর্করশিং মথৌ পাঙথোক্লবা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অপনবা থোকহন্দনবা লোকদাউন কৌখিবনি।

প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা আপসুগী ভাইস প্রসিদেন্ট মেজে তাকুনা হায়খি, নুমিৎ ১২ নি লোকদাউন তৌবা তারবসু ফ্রন্ট লাইন ৱর্করশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা পীরোই। ইসেন্সিয়ল সর্ভিসতা থবক তৌরিবশিংনা লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন্দগী মাঙজৌননা অয়াবা লৌগদবনি।

ওল ইষ্ট সিয়াং দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, ইষ্ট সিয়াং দিষ্ট্রিক্ট ইন্দিজিনস কোভিদ-১৯ ৱারিয়র্স অমদি অতৈ তোঙান-তোঙানবা লূপশিংগা খুৎশম্নরগা লোকদাউন তৌনবা ফিরেপ লৌরকপনি। পাসিঘাট ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না কোনবা মফম পুন্নমক্তা অথিংবা থমগৌদৌরি। দুকান অমদি লল্লোন-ইতিক তৌফম পুন্নমক থোঙ লোনগদবনি অমসুং মরম চাদনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা ময়ুম-ময়ুমদগী মপান থোরক্লোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা থিংনবগী পান দমদা লাৱর দিবাং ভেলি দিষ্ট্রিক্ততসু ঙসি অহিং নোংয়াই ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল ওফিসর (দি এম ও)গী ষ্টাফ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরখ্রবা মতুংদা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখিবনি। দি এম ওগী ওফিসতা থবক তৌবা মীওই পুন্নমক হোম ক্বারন্টিন তৌনবা খঙহনখ্রে।

## রাজ্য সভাগী মীখলদা ভোট থাদরোইদৌরি

শিল্লোং, জুন ১৮ (এজেন্সি): মেঘালয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য সভাগী মীখলদা কে ঐচ এন এ এনগী লেজিসলেটর অদেলবর্ট নোংগ্রুমনা ভোট থাদবা য়াওইরোই হায়না লাউথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর কোনরেদ সংমাদা পীশিনখিবা চেরোল অমদা নোংগ্রুমনা হায়খি, নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী লোক সভা মেম্বর অগথা কে সংমানা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল শৌগত্তুনা ভোট পীখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা রাজ্য সভাগী মীখলদা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌরকপনি।

এন পি পি য়াওনা রুলিং পার্টি শৌগৎপা তোঙান-তোঙানবা পার্টিগী এম পিশিংনা ভোট পীখিবদগী পার্লিয়ামেন্টতা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌবা ঙমখিবনি।

## অম্বুবাচি মেলাদা মীওই অমত্তা য়াওহল্লোইদৌরি

গুৱাহাতি, জুন ১৮ (এজেন্সি): অম্বুবাচি মেলদা মীওই অমত্তা শরুক য়াহন্দনবা কমখ্যা টেম্পল মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ৱারেপ লৌখ্রে। লৈবাক্কী মফম পুন্নমক্তা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরক্লিবসিগী য়েংলগা মীয়াম তিনবা থৌরম পাঙথোক্তনবা ফিরেপ লৌবগা লোয়ননা মেলাদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা শরুক য়াহল্লরোই হায়না লাউথোকখিবনি। পুৱারীদা অহানবা ওইনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা শরুক য়াহন্দনা অম্বুবাচি মেলা পাঙথোক্লগনি।

হান্নগা মান্নদবা মওংদা হন্দক্কী চহী অসিদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা কমখ্যা টেম্পল মনুংদা চঙহল্লরোই। মপান্দগী মীওই অমত্তা চঙলকপা ঙমদনবা লাইশঙ চঙফম পুন্নমক থোঙ লোনশিল্লগনি।

## মিজোরামদা কোভিদ-১৯গী কেস ১৩০ য়ৌরে

আইজোল, জুন ১৮, (এজেন্সি): মিজোরামদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ১৩০ য়ৌরে। জোরাম মেদিকেল কোলেজ (জেদ এম সী)দা ঙরাং সেম্পল ৬১৫ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা সেম্পল ৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। সেম্পল ৪৯৯ নেগেটিভ ওইরে। সেম্পল ১০৭কী রিজল্ট ঙাইনরি। নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৯গী মনুংদা লোংতলাই দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৪, সিয়াহদগী ৪ অমসুং লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টতগী ১ য়াওরি।

মীওই ৪ দিল্লিদগী হল্লকখিবনি। অতোপ্পা মীওই ৪ না হরিয়ানা অমসুং মীওই ১ মহারাস্ত্রদগী হল্লকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মীওইশিং অদু লাইওং উথোরকপা তৌদ্রি। ষ্টেট অসিগী অপুনবা এক্তিভ কেস ১২৯নি।

অমরোমদা, অনৌবা কেস ৪৩ হেনগৎলক্তুনা ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ১,১৩৮ য়ৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা ফোঙদোকখ্রে।

সেম্পল ১,২৫০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৪৩ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মনুংদা ১৪ শুবা বট্টালিয়নগী বি এস এফকী পর্সনেল ৩; মহারানি বি এস এফ কেম্পতগী ৬; ১২০ শুবা বি এস এফকী ৪; ৭৪ শুবা বি এস এফকী ২৬ অমসুং মীচম ৪ য়াওরি। ষ্টেটকী অপুনবা কেস ১,১৩৮গী মনুংদা এক্তিভ কেস ৫৮২ নি। মীওই ৫৫৬ তি লায়েংবদগী ফগৎলক্লে।

ত্রিপুরাদা পুন্না সেম্পল ৫০,২৭৩ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা সেম্পল ৪৯,১৩৫ নেগেটিভ ওইরে। মীওই ৫৩৭ ইন্সটিট্যুসনেল ক্বারন্টিন তৌবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৬,৪৭২ হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লি।

অসামদসু মীওই ৮২ পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী অপুনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ৪,৭৭৭ শুরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৮২ গী মনুংদা বক্সাদগী ৮২, কার্বি অংলোংদগী ১৪, চিরাংদগী ১১, ধুব্রিদগী ৭, গোলাঘাটতগী ৫, সিবসাগরদগী ২, নগাউনদগী ২, বরপেতাগী ২, কামরুপতগী ২, নলবারিদগী ১, চরাইদিওদগী ১, তিন্সুকিয়াদগী ১ অমসুং কোক্রাঝারদগী মীওই ১ য়াওরি। বোঙ্গাইগাউন দিষ্ট্রিক্টতা ক্বারন্টিন সেন্টরদগী চেন্নবা হোৎনবদা মীওই ১ মকোক্তা শোকপদগী শিখ্রে।

# ষ্টেটকী পাউ

## ফ্লাইট অনীদা পেসেঞ্জর ১৮৯ লোম পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): মুম্বাই অমদি কোলকাতাদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী পেসেঞ্জর পুন্না ১৮৯ রোম ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট অনীদা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অদুগা অতোপ্পা কোলকাতাদগী পাইরকপা ফ্লাইট অমদনা ঙা অতেকপা অমদি আর এম জি-ঈগী অতৈ পোৎ চৈশিং য়াওনা ইম্ফালদা পুশিল্লকখি।

ঙসি অয়ুক পুং ৮.৪৫ রোম তাবদা এয়র এসিয়া (আই ৫-৯১৭৬) ফ্লাইট অসি পেসেঞ্জর নুপা মরি, নুপী ২৯ পুন্না মীওই ৩৩ পুরগা মুম্বাইদগী কোলকাতা অমদি গুৱাহাতি ফাওরগা ইম্ফালদা থুংলখি। ফ্লাইট অসিনা অয়ুক পুং ৯.৫০ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর নুপা ৭ অমদি নুপী ২ পুরগা মুম্বাইগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা এয়র এসিয়া (আই ৫-৮৮৫) ফ্লাইট অসিদা পেসেঞ্জর নুপা ৯৬, নুপা ৫৩ অমদি অঙাং ৭ য়াওনা পুন্না পেসেঞ্জর ১৫৬ রোম পুরগা দিল্লিদগী ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিলগী পুং ৩.৩০ রোম তাবদা ফ্লাইট অসিনা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর নুপা ২৯, অঙাং ২ য়াওনা পুন্না পেসেঞ্জর ৩১ পুরগা দিল্লিগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবা মতমদা স্পাইস জেট (কারগো এস জি ৭৭১১) ফ্লাইট অসিনা কোলকাতাদগী ইম্ফালদা পাইরকপদা ঙা অতেকপা কেজি ৬৯৩ অমদি আর এ জি-ঈগী পোৎ চৈ কেজি ১৯ রোম য়াওনা পুরকখি। ফ্লাইট অসিনা নুংথিল পুং ২.০৩ রোম তাবদা কোলকাতাগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি মুম্বাই অমদি কোলকাতাদগী ইম্ফালদা থুংলখিবা পেসেঞ্জরশিং অদু ইম্ফাল এয়রপোর্ট মনুংদা লৈবা মরী লৈনবা দোক্তরশিংনা নীংথিনা চেক তৌরগা অমদি থর্মেল স্কেনিং তৌরবা মতুংদা মপান্দা থোরকখি। মখোয়গী মরক্তা আর্মি অমদি অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিং খরদি মখোয় মশাগী আর্মি ৱিংগী ক্বারন্টিন সেন্টরদা ওইনা লৈনবা পুখি। অতৈদি মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা পুরগা ঘাড়িগী ঐচ আর দি একাদেমিদা থমখি। মফম অদুদগী অমুক তোঙান তোঙান্না দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা পুরগা মখোয় মশাগী ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈনবা পুখি। ভি আই পি য়াওরকপশিংদি ষ্টেট ওথোরিটিগী অয়াবা মতুং ইন্না প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লৈনবা পুখি।

অমরোমদা, হৌখিবা মে ২৫ দগী ঙসি ফাওবদা মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর পুন্না ১১,৩৮৫ রোম পুল্লিকখ্রে হায়রি।

## নোনেদা য়ুম ১ মৈনা তুম্না চাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): নোনে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা রাংকুং পার্ট ৱান খুনদা লৈবা য়ুম অমা খঙহৌদনা মৈনা তুম্না চাকখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতমদা য়ুম মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মৈ চাকপা মতম অদু য়ুম অদুগী অহলশিংদি লোয়না পামদা থবক শুনরিবা মতমনি। য়ুমগী অঙাংশিংনা থংনবা য়ুম অমদা টি ভি য়েংখি হায়রি। মৈ চাকপা অদুদা য়ুম অদুগী বেদরুম অমদি চাকশঙনচিংবা লোয়না চাকখ্রে। মৈ চাকপা অদুদা মীদি অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিবা লৈতে।

মৈ অদু লৈকাই মীয়াম চঙদুনা মুথৎখি। মৈ চাকপদগী অৱাবা নংলবা ইমুং অদুগী মীওইশিং খুন অদুদা রিলিফ কেম্প অমা শাদুনা ঙসিদগী থবক হৌখ্রে হায়রি।

## ‘লায়রবা মপু ওইবগা, ইনাক খুনবা মীনাই ওইবগা করম্বনা ফবগে খন্থবা মতম ওইরে’

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা রাজ্য সভাগী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা চোংথোরকপগী থৌওংবু মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ)না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অথিংবা থমখ্রবা লূপ অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থোমাস ন্যুমাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নিংথৌনা কৈদৌঙৈদা অরানবা থবক তৌহৈদে অমসুং লায়রবা মপু ওইবগা ইনাক খুনবা মীনাই ওইনা হিংবগা করম্বনা ফবগে হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে। চহী লিশিং অনী হেনবগী পুৱারী লৈজবা মণিপুরনা লানফম কয়াদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা লানফম খরদা মায়থিবা নংখ্রবসু অতোপ্পা লৈবাক অমদা সরেন্দর তৌখিবা লৈত্রি। কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্তেম্বর ২১ দা মতমদুগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু নমদুনা কিহল্লগা মজর এগ্রীমেন্টতা খুৎয়েক পীহনখিবনি।

কুমজা ১৯৪৭ তা মণিপুরগী অইবা কন্সষ্টিট্যুসন লৈরে। ইন্দিয়ন কন্সষ্টিট্যুসনদি কুমজা ১৯৫০দা শেম্লকখিবনি। মণিপুরনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদা তিনখিবা তারবসু নাৎ অমদি লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থবক-থৌরম পুন্নমক নিংথৌগী খুত্তা লৈরক্লি। নিংথৌ পানবা লৈবাক ৬০০ লোম খুদুম চল্লবা মতুংদা ইন্দিয়াদা তিনখিবনি। মণিপুরদি নমদুনা মর্জর এগ্রীমেন্টতা খুৎয়েক পীহল্লগা ইন্দিয়াদা তিলহনখিবনি।

নিংথৌনা অরানবা তৌহৈদে হায়বা ৱাফম নীংশিংবগা লোয়ননা লায়রবা মপু ওইনা লৈবগা ইনাক খুনবা মীনাই ওইনা লৈবগা করম্বনা হেন্না ফবগে হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে হায়নসু এম এন পি এফকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থোমাস ন্যুমাইনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

### লৈতোং স্যাবনা/লোন পীবীয়ু হিংননবা উপাল পীবীয়ু


হৌজিক মালেমদা অকিবা ফংনা চথরক্লিবা কোভিদ-১৯ মরকসিদা নোংমগী শুজ-নোমজদুনা হিংজরিবা নুপী ওইবীশিং অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মীঙোন্দগী পুরুগদবসু শেন্দোয় চাদা ৪গী মথক্তা নৎত্রবদি ফংদে। Micro Finance Organisation শিংসু অথিংবা থম্বীখ্রে। মহৌশাগুম Micro Finance Organisation শিংনা লোন পীবীনবা অমদি অথিংবা থল্লিবা অসি লায়রবা প্রজাশিংগী খনবীরগা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবীনবা হায়জরি।

হায়জরিবা :

Chingakham Rejina Devi
Leipaklei SHG, Andro Maringthel

HL-P/7157/19

## CROSSWORD-3478



**ACROSS**

1 Charged with an offence (7)
5 Hoodwinked (5)
8 Oak nut (5)
9 Perplex (7)
10 Large house (7)
11 Duffer (5)
12 More profound (6)
14 Pact (6)
18 Unit of weight (5)
20 Lassos (7)
22 Diverge (anag) (7)
23 Proverb (5)
24 Asparagus shoot (5)
25 Toothed wheel (7)

**DOWN**

1 Frightened (7)
2 Buffoon (5)
3 Break of day (7)
4 Protect (6)
5 Celtic priest (5)
6 Pepper (7)
7 Southern states of the USA (5)
13 Learned (7)
15 Dried seedless grape (7)
16 Cut apart (7)
17 Unpowered aircraft (6)
18 Young attendants (5)
19 Channel port (5)
21 Embarrass (5)

**Solution 3477**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| F | R | E | S | C | O | ■ | S | T | I | G | M | A |
| L | ■ | P | ■ | A | ■ | ■ | ■ | U | ■ | L | ■ | R |
| I | D | I | O | M | ■ | V | A | G | R | A | N | T |
| G | ■ | G | ■ | E | ■ | E | ■ | B | ■ | D | ■ | I |
| H | A | R | B | O | U | R | ■ | O | V | E | R | S |
| T | ■ | A | ■ | ■ | ■ | T | ■ | A | ■ | ■ | ■ | T |
| ■ | ■ | M | E | A | T | E | A | T | E | R | ■ | ■ |
| A | ■ | ■ | ■ | P | ■ | B | ■ | ■ | ■ | E | ■ | S |
| L | E | T | U | P | ■ | R | E | A | D | M | I | T |
| L | ■ | S | ■ | R | ■ | A | ■ | N | ■ | N | ■ | R |
| I | M | A | G | I | N | E | ■ | G | U | A | V | A |
| E | ■ | R | ■ | S | ■ | ■ | ■ | L | ■ | N | ■ | I |
| D | U | S | T | E | R | ■ | B | E | A | T | E | N |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## লোকদাউন, কর্ফিয়ু থুগায়বা মীওই ৪৫৯ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): চথরিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগায়দুনা লম্বীদা থোরকপা, মাস্ক উপ্তবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওই য়াওনা ঙসি পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই ৪৫৯ অমদি গাড়ি ৩৫০ রোম য়াওনা ফাগত্তুনা ফাইন থিহনখ্রে।

কোভিদ-১৯ গী লাইচৎ শন্দোরকপা থিংনবা লৈঙাক্না লৌখৎলকপা চেকশিন-থৌরাং ওইনা লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ু থুগায়বা মীওই ৪৫৯ অমদি গাড়ি ৩৫০ য়াওনা ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফমদগী ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদগী লুপা ৫৯,২০০ রোম ফাইন থিহনখ্রে।

লৈঙাক্না লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা থোরকপা মীওইশিং অদু নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫ গী মখাদা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না পুলিসনা চেকশিনৱা থল্লক্লি।

## নুপী ১ নাপী হীদাক থক্লুবদগী লায়কন্নরবা মতুংদা শিরে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পোরোমপাৎ পূলিস ষ্টেসন্না কোনবা তোপ মখা লৈকায়দা লৈবী নুপী অমা ময়ুমদা নাপী হীদাক থক্লুবদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মমিং য়ুন্নাম অনন্দি (৩৫) মপুরোইবা ৱাই রোমেস কৌই। মহাক তোপ মখা লৈকাইদা লৈবনি। থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউদা থা অসিগী ১৪গী নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা অনন্দি য়ুমদা নাপী হীদাক থক্লুবদগী শোক্তুনা জেনিমস হোস্পিটালদা অহানবা ওইনা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। মতুংদা মহাক্কী ফিভম ফত্তবদগী নোর্থ এ ও সীগী রাজ মেদিসিটিদা অমুক পুখত্তুনা লায়কন্নখি।

অনাবা অদুগী ফিভম ফগৎপা ঙমদবদগী দোক্তরনা য়ুমদা ওইনা পুথনবা খঙহল্লকপদগী ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা য়ুমদা লৈখিদবনি হায়রি। লোইদাং খুল্লেন্দা লৈবা নুপী মপামনদি অনন্দিগী মীশি অসি য়াম্না চিংননিঙাই ওই। মহাক মতৈ-মনাও খৎনবদগী মপামদা থা খরা লৈরুরবা মতুংদা মহাক্কী লৈখিদ্রবী মচানুপী অতোনবীগী ফিরোই য়াওনবনি হায়দুনা পুখিবনি। ফিরোই লোইখ্রবা মতুংদা মতৈ-মনাও অনী অদু অমুক খৎনরকপদগী নুপী অদু নাপী হীদাক থক্তুনা শিনবা হোৎনরম্বনি হায়রি। মাগী মীশি অসি য়ানিংদে হায়রি। ঙসি নুপা ময়ুমদা নুপী মপামগী মীওশিংনা লাকপা মতমদসু য়ুম অদু কনা অমত্তা লৈরমদে হায়রি। মফম অদুদা কোন্না নুপী ময়ুমগা পুন্না ৱারী শান্নবদা ইরাং থৌরকপদগী পুলিস লাক্লগা ইরাংঅদু কন্ত্রোল তৌখি। অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা পুলিসনা জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

## শেন্থং য়েন্থোকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেজ (এম এস এম ঈ) গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পায়খৎলিবা স্কিম ওফ ফন্দ ফোর রিজেনরেসন ওফ ট্রেদিসনেল ইন্দষ্ট্রিজ (স্ফুর্তি)গী মখাদা ঙসি অন্দ্রো এ সীগী সেলফ হেল্প গ্রুপ অমদা অহানবগী গ্রান্ট ওইনা লুপা ৫০,০০গী শেনফম খুৎশিন্নখ্রে। এন জি ও’স ফোরম য়াইরিপোক্কী চ্যেরমেন ওইরিবা কৈসাম নিংথেমজাওগী য়ুমদা ঙরাং নুমিদাং পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা গ্রান্টকী শেনফম অদু সেল হেল্প গ্রুপ অমদা খুৎশিন্নখিবনি। স্ফুর্তিগী মখাদা অন্দ্রো এ সীগী তোঙান-তোঙানবা সেল হেল্প গ্রুপশিংদসু মখা তানা শেন্থং য়েন্থোক্লবা থৌরাং লৈরে হায়নসু কে এন সিংহনা ফোঙদোকখি।

## য়ু ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি য়েংখোম ভিক্টোরিয়া অমদি এদিসনল এস পি, এ রোমেন্দ্রোনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা কৈথেল কয়াদা অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবা ফাওবা চথুখিবা দ্রাইভদা য়ু ফাগৎখ্রে। ৱাবগাই-লমখাই এরিয়াদগী ওল্ড মোক বট্টল ২০, এম এল ১৮০গী ওল্ড মোঙ্ক বট্টল ৪০, মেক দোয়েল এম এল ৭৫০ গী বট্টল ১৫ অমদি এম এল ১৮০গী বট্টল ৪০ ফাখি। দি আই সী লিকর লিটর ১৪সু ফাগৎখি। ফাগৎলবা য়ুশিং অদু এক্সসাইজ ওফিস ককচিংদা খুৎশিন্নখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা কৈথেল কয়াদা দ্রাইভ চথুদুনা পোৎলমশিং অদু ফাগৎপনি হায়রি।

## শেন্দোয় খোম্বীগনু

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) :পৌরাবি নুপী লমজিং নুপী মরুপনা কোনবা মফমশিংদা শেন্দোয় খোম্বীগনু হায়না মরুপ অসিগী সেক্রেটরি প্রেমিলানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## থবকশিং মোনিটর তৌমিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : ময়েং লমজাও জি পিগী শঙলেনদা খুঙ্গং শেমগৎ-শাগৎপা লূপ, লমজাওগী ক্লব কয়াগী মীওইশিং অমদি ময়েং লমজাও জি পিগী ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা জি পিগী মনুংদা পঞ্চায়টগী স্যের ওইনা পায়খৎলিবা এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবকশিং মোনিটর তৌমিন্নখ্রে।

লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ময়েং লমজাওগী থবকশিংদা কুপ্না য়েংশিন্দুনা লাকখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌরিবা কয়াগা লোয়ননা জি পি অসিগী এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক্তা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা মোনিটর তৌখি। মখা তানা এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবকশিং জি পি অসিগী মনুংদা পায়খৎপদা ক্বালিটি মেন্টেন তৌনবা লেপ্পখি। লমজাও খুঙ্গংগী মনুংদা পঞ্চায়টনা এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবকশিং পায়খৎলমদাইদা কে এস এস এল, লমজাওগা থবকশিং অদু পাঙথোকপগী মতাংদা ৱা খন্নবা মীফম অদুনা লেপ্পখি। জি পি অসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোং সী দি ব্লোক্কী মখাদা এৱার্দ ফংখ্রবা জি পিনি হায়রি।

## ইকলগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : ইরমদম কনবা অপূনবা লূপ (ইকল)গী ৭লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ১২ দা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা ইকলগী ময়াই লোয়শঙদা পাঙথোকখ্রে হায়না ইকলগী সেক্রেটরি জেনরেল লুৱাং লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হন্দক চহীগী ওইনা পাঙথোকপা থৌরম অসি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লৈবনা মরম ওইরগা মীয়াম পুন্দুনা পাঙথোকপা ওইখিদ্রে। ইকলগী মপোক নুমীৎশিংদা পাঙথোক্তুনা লাকপা খুন্নাই য়োকখৎপী ইমাশিং ঈকায় খুম্নবা হায়দুনা অঙাং য়াম্না পোকপী লৈহৌমী মমা ওইবীশিংবু ঈকায় খুম্নবগী থৌরমসু পাঙথোকখি। লৈহৌমী মশিং য়ামহনগদবনি হায়বা খোল্লাও অমা ইকলনা শাফোঙলকপদগী ঙসি ফাওবা লাউদুনা লাক্লি। অঙাং য়াম্না পোকপী মমাশিং অসি খুন্নাই য়োকখৎপী অমদি থৌনা ফবী মমা অমনি হায়না মখোয়বু মতম পুন্নমক্তা ইকলনা ঈকায় খুম্নৈ। হৌখিবা চহীশিংদা অঙাং য়াম্না পোকপী লৈহৌমী মমাশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা অথোই-অহেন তান্নদুনা মকোক তাখ্রবশিংদা মতেং পীদুনা লাক্লি। ইকলগী মপোক কুমওন থৌরম অসি চহীসিগী ওইনদি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা তঙাইফদবা থৌরম খক্তমক পাঙথোকপগা লোয়ননা ইমাশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

## ট্রেনিং চথখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : কোভিদ ক্যের সেন্টর, জি এন এম স্কুল থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা থবক তৌরিবা ডোক্তর অমসুং নর্সশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট কোভিদ ট্রেনর ডা. এল তিলাকেশ্বরীনা লুচিংবা টিম অমনা ট্রেনিং পীখি। কোভিদ ট্রেনিং ইন-চার্জ ডা. ৱাই প্রেমচন্দ্র, দেপ্যুটি দিরেক্টর পব্লিক হেল্থ ডা. অনিল, জেনিমসকী মেদিসিনগী ডা. ঐচ মঞ্জু অমদি রিমসকী কোলেজ ওফ নর্সিংগী ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি। কোভিদতগী করম্না ক্যের অমদি মেনেজমেন্টকী থবক চথুগনি হায়বগী মতাংদা নীংথিনা ট্রেনিং পীদুনা খঙহনখি হায়রি।

## কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : কাদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, নিংঙোল য়াইফ থৌরাং লূপনা পুন্না খুৎশম্নদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাংখেম কাংজৈবুং মনাক্তা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, থৌবাল ইমাগী প্রসিদেন্ট বিমোলা, এন ৱাই টি এলগী প্রসিদেন্ট পুয়াম ওংবী অহনবীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মাস্ক শীজিন্নখি। এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দোরেননা ফোঙদোক-খিবদা, মালেমগী মফম অয়াম্বদা পাক-শন্না শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অমা লৈখিদ্রে। মীওই কয়ানা নাদুনা লৈরি। লায়না অসিগী ভেক্সিন অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রি। হেল্থ দিপার্টমেন্টনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা মীয়ামদা পীবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপা তঙাইফদে হায়রি।

## ফেস মাস্ক উপ্পা তঙাইফদে : দি ও

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯দগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপদা মাস্ক উপ্পা য়াম্না তঙাইফদে হায়না ইম্ফাল ইষ্টকী ফুদ সেফ্টিগী দিজিগনেটেদ ওফিসর (দি ও)না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেম পুম্বগী ওইনা কোভিদ-১৯গা শাগোন্নরিবা অয়াম্বা মীওইশিং মখল অমত্তগী লায়ওং উৎথোক্তবা থেংনৈ। কোভিদ-১৯গী মহিক পল্লবশিংগা, পক্ত্রিবশিংগা থেংনবদা লৌনবা য়াবগী রিস্ক লৈবনা চেকশিনবা তঙাইফদে। কোভিদ-১৯গী মহিক অসি ফেস মাস্ক শীজিন্নরবদি ঙাকথোকপা ঙম্বনা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনসু মীয়ামদা ফেস মাস্ক উপ্পবা পাউতাক পীখ্রে।

জপান অমদি কোরিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদসু ফেস মাস্ক উপ্তুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙমখ্রে। মণিপুরদসু ষ্টেট কেবিনেটনা মীয়াম তীনবা মফম অমদি ওফিসনচিংবদা মাস্ক উপ্পবা ৱারেপ তাখ্রে। চীফ সেক্রেটরিনা থাদোরকপা ওর্দরগী মতুংইন্না লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা খঙহল্লি। লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিং, পোৎ য়োনবদা য়াওরিবশিংনা ফেস মাস্ক শোয়দনা উপকদবনি। ফেস মাস্ক উপ্তুনা পোৎ লৈবা লাকপা মীওইশিংদা পোৎয়োনফম অদুগী ফেস মাস্ক লৈহন্দুনা উপহন্নবা থৌরাং অমা য়োল্লিবশিংনা শীনগদবনি হায়রি।

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3277**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 3 | 5 | | 9 | | |
| | | | 1 | | | | | 2 |
| | | | | | 4 | | 7 | 5 |
| | 5 | | 2 | 6 | | 1 | 3 | |
| | 4 | | | | | | 2 | |
| | 2 | 8 | | 9 | 1 | | 5 | |
| 9 | 7 | | 8 | | | | | |
| 8 | | | | | 7 | | | |
| | | 2 | | 4 | 9 | | | |

**Solution-3276**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 6 | 8 | 1 | 9 | 4 | 5 | 3 | 2 |
| 1 | 2 | 3 | 8 | 5 | 7 | 9 | 6 | 4 |
| 5 | 4 | 9 | 3 | 2 | 6 | 8 | 1 | 7 |
| 3 | 9 | 1 | 4 | 8 | 2 | 7 | 5 | 6 |
| 2 | 5 | 6 | 7 | 1 | 9 | 3 | 4 | 8 |
| 4 | 8 | 7 | 6 | 3 | 5 | 1 | 2 | 9 |
| 9 | 1 | 5 | 2 | 4 | 8 | 6 | 7 | 3 |
| 6 | 3 | 2 | 9 | 7 | 1 | 4 | 8 | 5 |
| 8 | 7 | 4 | 5 | 6 | 3 | 2 | 9 | 1 |



অসিজোলনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম

